সিরিয়াদা যু এসনা লুচিংবা চুংশিন্নবা কাঙবুনা এয়রস্ট্রাইক চথবদা মীচম য়াওনা মীওই ৫৪ শিরে

দমাস্কস, জুলাই ১৩ (এজেন্সী)ঃ

সিরিয়াগী ইরাক্কা তায়নবা ঙমখৈ পরিংদা লৈবা ইস্লামিক স্টেট মিলিটেন্টশিংনা খুদুম চনবা খুঙ্গংশিংদা এয়রস্ট্রাইক চথরকপদা মীচম ২৮ য়াওনা মীওই ৫৪ শিখ্রে হায়না যু কেদা বেজ তৌবা হ্যুমেন রাইটস মোনিটরিং গ্রুপনা ফোঙদোরকখ্রে।

যু এসনা লুচিংবা চুংশিন্নবা কাঙবুনা হায়, সিরিয়াগী নোংপোকথংবা শরুক্তা এয়রস্ট্রাইক চথখ্রে। শগোলশেন নুমীৎতা চথখিবা এয়রস্ট্রাইক অদুদা মীচম কয়া শিরম্বা য়াবগী চিংনবা লৈ হায়রি। ঙমখৈ পরিংদা লৈবা অল সৌসাগী খুঙ্গং অমদা লৈবা উন শুংবা ফেক্টরি অমদা টার্গেট তৌদুনা চথরকপা এয়রস্ট্রাইক্তা মীশি-মীনা কয়া নংখি। দের অল জোর প্রোভিন্সকী মনুং চনবা মফমশিংদা যু এসনা লুচিংবা চুংশিন্নবা কাঙবুনা এয়রস্ট্রাইক চথরকপদা মীচমশিংদা চাউনা মীশি-মীনা নংহনখ্রে হায়না সিরিয়া লৈঙাক্লা মরাল শিখ্রে।

অল সৌসাগী অকোয়বদা চুংশিন্নবা কাঙবুনা কয়ারক হন্না এয়রস্ট্রাইক চথখ্রে হায়না চুংশিন্নবা কাঙবুগী ৰাঙাঙলোয় অমসুং যু এস আর্মিগী কর্নেল সিন রিয়াননা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখ্রে।

চুংশিন্নবা কাঙবুনা ইস্লামিক স্টেট মিলিটেন্টশিংগী মথক্তা এটেক তৌননবা হোৎনখিবনি। যুফ্রেট তুরেলগী নোংপোকথংবা তোর্ব্বান্দা লৈবা অল সৌসা হায়রিবা মফম অদু আই এস মিলিটেন্টশিংনা খুদম চন্দুনা লৈরিবা মফম অমনি। লোয়ননা মফম অদু ইরাক্কা তায়নবা ঙমখৈ পরিংদা লৈবনি। আই এস মিলিটেন্টশিংনা খুদুম চন্দুনা লৈরিবা মফম কয়াদা রসিয়াগী লান্মীশিংগী মতেংগা লোয়ননা সিরিয়া লৈঙাক্লা অকনবা এটেক চথরিবনি। যু এসনা সিরিয়ান দিমোক্রেটিক ফোর্সতা মতেং পাংদুনা এয়রস্ট্রাইক কয়া চথরি।

নাকল অমরোমদা, সিরিয়ান দিমোক্রেটিক ফোর্সতা মতেং পাংলকখিবশিংবু থাগৎপা ফোঙদোকখিবসু লৈখ্রবনি। যুফ্রেটকী নোংচুপথংবা তোর্ব্বানগী শরুক অমা ওইরিবা অলবু কমল টাউনদি সিরিয়া লৈঙাক্লা মমাঙ চহীগী দিসেম্বর থাদা অমুক হন্না লৌশিনবা ঙমখ্রবনি। আই এস মিলিটেন্টশিংনা সিরিয়াগী ঙমখৈ মনুংদগী তকথোকখিনবা সিরিয়া লৈঙাক্লা মপান লৈবাকশিংগী মতেং লৌরি। বাসর অল অসদ লৈঙাকপু শৌগৎতুনা রসিয়াগী এয়রফোর্সনা মিলিটেন্টশিংনা খুদুম চনবা মফম কয়াদা অকনবা এয়রস্ট্রাইক চথদুনা লাক্লি।

সিরিয়াগা যুমথংনরিবা লৈবাক ইরাক্কী অৰাংথংবা অমসুং নোংচুপথংবা শরুক কয়া হৌজিকসু জিহাদিশিংনা খুদুম চন্দুনা লৈরি হায়রি।

মীয়ামগী অকনবা খোঙজং মরক্তা যু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্প অমসুং থেরেসা মে উনখ্রে

লন্দন, জুলাই ১৩ (এজেন্সী)ঃ

য়ুনাইটেদ কিংদমগী লুচিংবী থেরেসা মে অমসুং যু এসকী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্প উনদুনা হৌজিক ওইরিবা ফীভমগী মতাংদা ৰারী শানখ্রে।

ব্রেক্সিট প্লান্টকী মতাংদা ৰাথোক ওইবা য়াবা ৰাফম ফোঙদোকখিবা অমসুং মীয়াম্না অকনবা খোঙজং চঙশিল্লক্লিঙৈ চৈরক্তা লুচিংবা অনীনা ৰারী শানখ্রে। পার্লিয়ামেন্ট স্কোৱারদা ঙসি মশিং য়াম্লবা মীওই কয়ানা অকনবা খোঙজং চঙশিল্লকখ্রে। যু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পনা ঙসি পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা, হান্নগী ফোরেন সেক্রেটরি বোরিস জোন্সননা ব্রেক্সিটকী মতাংদা ৰারী শানবগী ৰাফম অদু য়ারমখিদবনি। লন্দনদা টেরর এটেক চথখিবগী মতাংদা অকনবা ৰাফম ফোঙদোক্লখিবসু লৈখ্রবনি।

থেরেসা মেনা যু এসকা ফ্রি ট্রেদ দিল অমা তৌননবা হোৎনরি। অদুম ওইনমক যু কে অমসুং যু এসকী মরক্তা লৈনরিবা ফীভম অদু তম্বা ঙমদবা অমা ওইরি হায়রি।

যু এসকী প্রসিদেন্ট অমসুং মহাক্কী লোয়নবী মেলানিয়ানা ব্লেনহেম পেলেসতা ঙরাং নুমীদাংৱাইরম লুচিংবী অদুনা তরাম্না ওকখি। থেরেসা মেগা লোয়ননা ঙরাং নুমীদাং চাক্লেন অমসু চামিন্নখি। লোয়ননা পাউমীশিংগসু উনখি হায়রি।

হ্বাইট হাউসকী ৰাঙাঙলোয় সরা সেন্দরনা ফোঙদোরকখিবদা, যু এসনা প্রাইম মিনিস্টর থেরেসা মেগা অৰাংবা থাক্তা ঈকায় খুম্নদুনা ওকখ্রে। অদুম ওইনমক লুচিংবী অদুগী মায়োক্তা মীয়াম্না অকনবা খোঙজং চঙশিল্লক্লি হায়খি।

ত্রম্পনা ব্রেক্সিটপু মতম কয়াগী মমাঙদগী শৌগৎতুনা লাকখিবনি। যু কেনা ব্রেক্সিটকী মমাঙদা ওইরম্বা ফীভমশিংগী ব্লু প্রিন্ট অমা পুথোকপগী তঙাইফদবা লৈ। লুচিংবা অদুনা হায়, থেরেসা মেগী কেবিনেটশিং মমাঙ চয়োলদা ওইখিবা চেক্করগী ৰাথোক্তা মরী লৈননা য়ানিংদবা উৎতুনা ইস্তোকপা লৈখ্রবনি। য়ুনাইটেদ স্টেটসকা লল্লোন-ইতিক্কী লমদা চাউনা মরী লৈনহন্নবা হোৎনবগী থৌওং কয়াসু ব্রেক্সিটনা পুখৎলমখিবা লৈখি।

থেরেসা মেনা তোঙান তোঙানবা মায়কৈদা চৎননবা হোৎনরি। মহাক্লা ব্রেক্সিটকী ৰাফম তাদ্রি হায়রি। সন জর্নেলিস্টনা লৌবা ইন্টরভ্যু অমদা দোনাল্ড ত্রম্পনা হায়, যু এস প্রসিদেন্টনা সেন্সিটিব ওইবা হিরম অদুদা মীৎয়েং চঙলি। ওইরিবা ফীভম অদুদা মায়কৈ কয়াদগী য়ানিংদবা ফোঙদোক্লুরকপসু লৈরিবনি হায়রি।

চাইনাগী ইন্দস্ট্রিএল পার্কতা থোকখিবা পোকখায়বগী থৌদোক্তা মীওই ১৯ শিরে

বৈজিং, জুলাই ১৩ (এজেন্সী)ঃ

চাইনাগী সিচুৱান প্রোভিন্সতা লৈবা ইন্দস্ট্রিএল পার্ক অমদা থোকখিবা পোকখায়বগী থৌদোক্তা য়ামদ্রবদা মীওই ১৯ শিরে। অদুগা ১২ না অশোক অপন নংখ্রে হায়না ওফিসল ওইবা পাউ অমনা ফোঙদোরক্লি।

রোইটর ন্যুজনা রিপোর্ট তৌরকখিবদা, সিচুৱান প্রোভিন্সকী ইন্দস্ট্রিএল পার্ক অদুদা লৈবা জিবিন হেংদা টেক্নোলোজিনা চলাইবা কেমিকেল প্লান্ট অমদা পোকখায়বগী থৌদোক অদু থোকখিবনি। ইন্দস্ট্রিএল পার্ক অদুদা চাউনা পোকখায়বগী থৌদোক থোকখ্রবা মতুং অকোয়বদা লৈবা মীয়াম্না মফম অদুদগী অমুবা মৈখু কয়া কারকপা উখি।

জিনহুৱা ন্যুজগী মতুংইন্না খুদোংথিবা থৌদোক অদু শগোলশেন নুমীৎকী নুমীদাংৱাইরমদা থোকখিবনি। মফম অদুদা চাউনা মৈ হৌদুনা চাকপগা লোয়ননা ইরাই নুমীৎকী অয়ুক ফাওবদা মৈ মুথৎপা ঙমখিদে। খুদোংথিবা থৌদোক অদুদা অশেক অপন নংখ্রবা মীওইশিং অদু লায়কন্নখিবগা লোয়ননা থোইদোকপা খুদোং-থিনিংঙাই ওইদ্রে হায়রি।

ওথোরিটিনা হৌজিক খুদোংথিবা থৌদোক অদুগী মতাংদা থিগৎপগী থবক চথবা হৌখ্রে। হৌজিক ফাওবগী ওইনা পোকখায়বগী থৌদোক অদু করম তৌনা থোকখিবনো হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। ইন্দস্ট্রিএল পার্ক অদুদা চানবা চীঞ্জাক অমসুং হিদাক লাংথক্কা মরী লৈনবা য়ুনিট কয়া লৈ। লমদম অদুদা লৈবা মীদিয়াগী রিপোর্ট মতুংইন্না মথোং অহুম ৰাংবা ফেক্টরি অদুগী অয়াম্বা শরুকশিং মৈ চাকখ্রে। লেমহৌরিবা হায়ববু য়োৎকী শরুকশিং অদুদা ঙাইহৌরে হায়রি।

চাইনাদা হৌখিবা চহীশিংদা কেমিকেল প্লান্ট কয়াদা পোকখায়বগী থৌদোক কয়া থোকখিবা লৈখ্রে। কুমজা ২০১৫ দা চাইনাগী অৰাং নোংপোক থংবা থিয়াঞ্জিন সিটিদা লৈবা কেমিকেল ৱায়র হাউস অমা পোকখায়রকপদা মীওই ১৭৩ শিখিবসু লৈখ্রে। চাইনাদা পায়খৎলিবা ইন্দস্ট্রিশিংদা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা ৱাৎপনা চহী খুদিংগী মীশি-মীনাগী থৌদোক কয়া থোক্লি হায়রি।

পাকিস্তানগী হান্নগী প্রাইম মিনিস্টর নৱাজ সরিফ হল্লকখ্রে

ইস্লামবাদ, জুলাই ১৩ (এজেন্সী)ঃ

পাকিস্তানগী হান্নগী প্রাইম মিনিস্টর নৱাজ সরিফ পাকিস্তান্দা হল্লকখ্রে। লোয়ননা শেঞ্জা-থুমজাগা মরী লৈননা চহী ১০ জেলদা ফাদোক তাবগী চৈরাক মায়োক্লরগনি।

সরিফ অমসুং মহাক্কী মচানুপী মারিয়ম যু কেদা চেন্দুনা লৈরল্লবা মতুং ফাননবা হুকুম থোক্লকপদগী লাহোরদা ঙসি থুংলখিবনি। টার্ম অহুল্লক প্রাইম মিনিস্টর ওইরম্লবা নৱাজ সরিফকী মথক্তা শেঞ্জা থুমজা মরী লৈননা থিগৎলবা মতুং মমাঙ চয়োলদা চহী ১০ জেলদা লৈবগী চৈরাক পীখিবনি।

মীওই অদুগী মথক্তা মীখলগা মরী লৈননা লৌতুনবগী থৌওং কয়া চথখি হায়বগী মরালসু শিরি। লুচিংবা অদুনা লন্দনদা লৈনা লৈনা পাকিস্তান মুস্লিম লিগ নৱাজবু মথৌ তৌহন্দুনা মীখলদা মীওই কয়া মীরেপ ওইনা থাদোকখিবনি। নৱাজ সরিফন্না এয়রপোর্টতা থুংলখিবদা মহাক্কী পার্টিগী মীওই কয়ানা মহাকপু ওক্লনবা ঙাইনখি। এন্টি করপসন কোর্টনা মহাকপু মমাঙ চয়োলদা লন-থুম কয়া লেপশিনখিবগা মরী লৈননা চহী ১০ জেলদা লৈবগী চৈরাক অদু লাউথোকখিবনি।

এয়রপোর্টতা নৱাজ সরিফ শৌগৎপা মীওই কয়ানা চঙশিন্নবা হোৎনরকপা থিংননবগীদমক মশিং য়াম্লবা পুলিস পার্সনেলশিংনা ঙাক শেন্দুনা লৈহনখি। নৱাজ সরিফ হল্লক্কদবা অদুগা মরী লৈননা পাকিস্তান মুস্লিম লিগ-নৱাজ পার্টিগী মীওই কয়ানা মাঙজৌননা ফাজিনখিবা লৈখ্রে। লোয়ননা মীওই কয়া পুনবদা অথিংবসু থমখ্রবনি হায়রি।

অবুদাবি এয়রপোর্টতা লুচিংবা অদুনা লৈরিঙৈদা ঙসি ফোঙদোকখিবদা, পাকিস্তান লৈঙাক্লা পৱার পায়ননবা হোৎনবদা মীচম কয়াগী মথক্তা তমথিবা থৌওং কয়া চথরি হায়রি।

মালেমগী টেররিষ্ট ওসামা বিন লাদেনগী বোদিগার্দ অমা জর্মনিনা টুনিসিয়াদা থাখ্রে

বর্লিন, জুলাই ১৩ (এজেন্সী)ঃ

অল কাইদাগী হান্নগী লুচিংবা ওসমা বিন লাদেনগী গার্দ অমা জর্মনিনা টুনিসিয়াদা থাখ্রে। মীওই অদু কুমজা ১৯৯৭ দগী জর্মনিদা মহাক্কী ইমুং-মনুংগা লোয়ননা লৈরকখিবনি। চহী ৪২ শুরবা টুনিসিয়া মচা অদু সামি এ হায়না খঙনৈ। অদুম ওইনমক জর্মনগী কোর্ট অমনদি মীওই অদু টুনিসিয়াদা থাখিবগী ৰাফম অদু ককথৎখ্রে।

অদুম ওইনমক সামি এ কৌবা মীওই অদু টুনিসিয়াদা থাবা তোক্লনবা কোর্টকী ৰাফম ওথোরিটিনা থেংনা ফংবনা মরম ওইরগা মহাক খাম্বা ঙমখিদবনি হায়রি।

করিগুম্বা মহাক টুনিসিয়াদা থাবা তারবদি কা হেন্না ওৎ নৈবগী থবক চথরক্কনি হায়না সামিনা কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবনি।

সামি এ মমাঙ থাদা মাইগ্রেসন ওথোরিটিনা ফাখিবনি। মহাক টুনিসিয়াদা থাখিনবগীদমক ফাগৎখিবনি হায়বা ৰাফম অমসু ফোঙদোক্লরকপসু লৈরি। গেলসেনকির্চেন কোর্টনা মীওই অদু টুনিসিয়াদা থাখিবগী ৰাফমদি য়ানিংদবা ফোঙদোকখি। লোয়ননা মহাকপু থাখিদনবা ৰাকৎলকপা অদুবুদি শৌগৎখি হায়রি।

সামি এ টুনিসিয়াদা ঙসি অয়ুক থাখিবগা লোয়ননা টুনিসিয়া ওথোরিটিদা শিন্নখ্রগনি হায়না ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিগী ৰাঙাঙলোয় এনিগ্রেট কোর্ফসনা ফোঙদোরক্লি।

ওসমা বিন লাদেননা লিংখৎলম্বা অল কাইদা হায়না খঙনবা জিহাদি নেটৱার্ক অদুনা কুমজা ২০০১ দা যু এসতা চাউনা টেরর এটেক চখদুনা লল্লোন ইতিক্কী অচৌবা মফম অমা ওইরিবা ত্বিন টৱার মাঙহন তাকহনখিবনি। মদুগী মতুং কুমজা ২০১১ দা যু এসকী স্পেসল ফোর্স অমনা বিন লাদেনবু পাকিস্তান্দা হাৎখিবনি। সামি এ হায়রিবা মীওই অদু বিন লাদেনগা খ্বাইদগী নক্লরম্বা অমসুং মহাকপু ঙাক শেনখিবা মীওই অমনি।

মহাক্লা ৰাকৎলকখিবশিং য়াদনা লৈরকপগা লোয়ননা জর্মননা অরোনবা ঙাক্লবা অমসুং টেররিষ্টশিংবু নমথনবা হোৎনবগী থৌশিল মখাদা মীওই অদু টুনিসিয়াদা খুৎশিন্ননবা থৌশিল পায়খৎখিবনি হায়রি।

জোন্সন এন্দ জোন্সননা দোল্লর বিলিয়ন ৪.৭ পীননবা খঙহনখ্রে

মিসৌরি, জুলাই ১৩ (এজেন্সী)ঃ

জোন্সন এন্দ জোন্সননা পুথোকপা টেলকম পাউদরনা অঙাংখাওগী কেন্সর পোকহল্লে হায়না নুপী ২২ না ৰাকৎলকখিবগী মতুংদা যু এসকী মিসৌরি স্টেটতা লৈবা কোর্ট অমগী জুরিনা খুদোংথিবা মায়োক্লখ্রবা নুপীশিংদা অদুদা দোল্লর বিলিয়ন ৪.৭ পীননবা য়াথং পীখ্রে।

বেবি পাউদর অদুগী মতাংদা তোঙান তোঙানবা ৰাকৎ কয়া লাকপগা লোয়ননা কেস ৯০০০ রোম মায়োক্লখি। নাকল অমরোমদা, জোন্সন এন্দ জোন্সননা হায়, মখোয়গী পোথোক অদু চহী কয়া চুপ্পা সাইন্টিফিক ওইবা চাংয়েং কয়া তৌরবা মতুং মীয়াম্না পাম্না শীজিন্নরকখ্রবনি। অসিগুম্বা থৌদেক অসি থম্মোয় কায়নিংঙাই ওইবা অমনি। মখা তানা আপিল চথখিগনি হায়রি।

5.99
Johnson's baby powder
Johnson's baby powder

চয়োল তরুকলোম চথরকখিবা ত্রাইয়েল অদুদা নুপী অমা অমসুং মহাক্কী ইমুং মনুংনা ফোঙদোরকখিবদা, মখোয়না জোন্সন এন্দ জোন্সননা পুথোকপা বেবি পাউদর অমসুং টেলকম প্রদক্টশিং অদু চহী কয়া শীজিন্নরকখ্রে। মদুনা মরম ওইরগা অঙাংখাওদা কেন্সর থোকহল্লকখি হায়না ফোঙদোকখি। অদুগুম্বা কেস অদুদা নুপী ২২ লাকখি। মখোয়গী মনুংদা তরুক্তি অঙাংখাওগী কেন্সরগী মরম ওইরগা লৈখিদ্রে হায়রি।

মখোয়গী উকিলনা ফোঙদোরকখিবদা, কম্পেনি অদুনা পুথোকপা টেলকম পাউদর অদুদা এসবেষ্টোস য়াওই। কুমজা ১৯৭০ দগী হৌনা মখোয়গী পোথোকশিং অদুদা হায়রিবা পোৎচাক অদু হাপ্পনা মরম ওইরগা শীজিন্নরিবা মীওইশিংদা খুদোংথিবা থোকপা য়াবগী চাং হেনগৎহল্লি হায়রি।

নাকল অমরোমদা, জোন্সন এন্দ জোন্সন কম্পেনিনা মখোয়গী প্রদক্টশিংদা এসবেষ্টোস য়ানশিল্লি হায়বা ৰাফম অদু য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি। লোয়ননা অদুগুম্বা মখোয়গী প্রদক্টশিং অদুনা কেন্সর থোকহন্দে হায়রি।

হন্দক কোর্টনা পীরিবা ৱায়েল অদু তশেংনা অফবা খুদম অমা নত্তে। মদুনা তোঙান তোঙানবা কম্পেনিশিংদসু অকায়বা থোকহনবা য়াই হায়খি।

যু এস ফুদ এন্দ দ্রগ এদমিনিস্ট্রেসননা টেলকমগী তোঙান তোঙানবা সেম্পলশিং লৌখৎতুনা কুমজা ২০০৯ দগী কুমজা ২০১০ ফাওবা চাংয়েং তৌবগী থবক চথখি। অদুম ওইনমক জোন্সন এন্দ জোন্সননা পুথোকপা টেলকম পাউদর য়াওনা তোঙান তোঙানবা টেলকম পাউদরশিংদা এসবেষ্টোস য়াওবগী খুদম ফংদে হায়না ফোঙদোকখিবসু লৈখ্রবনি হায়রি।

কাইরো এয়রপোর্ট মনাক্তা পোকখায়বদা ১২ শোক্লে

কাইরো, জুলাই ১৩ (এজেন্সী)ঃ

ইজিপকী কোনুং কাইরোগী ইন্টরনেসনল এয়রপোর্ট মনাক্তা লৈবা পেট্রো কেমিকেল প্লান্ট অমদা থোকখিবা পোকখায়বগী থৌদোক্তা য়ামদ্রবদা মীওই ১২ অশোক অপন নংখ্রে হায়না ইজিপ স্টেটনা ফোঙবা মিনা ন্যুজ এজেন্সীনা রিপোর্ট তৌরক্লি।

পাউ অসিগী মতুংইন্না অশোক অপন নংখ্রবা মীওইশিং অদু হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখ্রে। মখোয়গী ফীভম চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি হায়রি। লাম্মীগী ৰাঙাঙলোয় অমনা ফোঙদোরকখিবদা, পেট্রো কেমিকেল প্লান্ট অদুগী ফ্যুএল স্টোরেজদা কা হেন্না শাগৎলকপদগী পোকখায়বগী থৌদোক অদু থোকখিবনি।

খুদোংথিবা থৌদোক অদুদা মীওই কয়া অশোক অপন নংখ্রে হায়বা খঙবা ঙল্লে। অদুম ওইনমক পোকখায়বা অদুনা মরম ওইরগা নক্লনা লৈবা কাইরো ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতা এরোপ্লেন পাইথোক পাইশিন তৌবদা খুদোংচাদবা থোকহনখিদে হায়না ইজিপকী এভিয়েসন মিনিস্টর য়ুনিস অল মসরিনা ফোঙদোরক্লি। থৌদোক অদুবু হকথেংননা উহৌবা মীওইশিংনা ফোঙদোরকখিবদা, মফম অদুদগী পোকখায়বগী অহৌবা মখোল তাবগা লোয়ননা মৈরী ৰাংনা কাখৎলকপা উখি হায়রি।

EMPLOYMENT

1. WANTED OFFICE STAFF AGENT

Regular job for the Staff agent in Manipur
Min Qua :- VIII Pass ,Age :- 18 to 38 years, No of Post-58 both male/fem
Monthly Salary :- Rs-13,000 to 25,600 + Travelling incentive.

[illegible]

(AIR HOSTESS REGULAR JOB)
Min Qua :- XII, Age : 17 to 30 years.
Become a Cabin Staff within 60 Days only
Monthly Salary :-
Rs-25,000 to 67,000.
Immadiately Joining for Selected Candidate
*Job for Domestic & Internaltional Airport within India. Accommodation provided

NO DEPOSIT SL NO-4 MERCHANT NAVY JOB IN INDIA & ABROAD NO DEPOSIT
[Freshers and experienced seafarer can apply]
i) Deck Officer, Engine Crew, Seaman, G.P. Rating & D.N.S Cadet
Salary: ₹30,000.00 to ₹80,000.00 /month Qualification :- X to Graduate.

For Detail Just Contact us at :-
OFFICE OF THE
Leima Job Guideline Service, Kwakeithel Bazar, Airport Road-Imphal.
Helpline no :-8974975286

HL-B/4677/2/6-30/7(Alt.)

৺/শ্রীশ্রীগৌরচন্দ্রায় নমঃ



NONGTHOMBAM BOKUL SINGH

পূর্ব্বাশ্রমদা ঐখোয় খ্বায় পুম্নমক্কী ইরক্তা তিনবীরম্বা অমদি ঐখোয়বু পোকপীরম্বা **শ্রীনোংথোম্বম ৺বোকুল সিংহ**-না ঐখোয় খ্বায় পুম্নমকপু থাদোক্লল্লগা হৌখিবা তাং ০৯/০৭/২০১৮ ইং, ইঙাগী ২৬ নি পানবা নিংথৌকাবা নুমিত্তা শ্রীগুরুগী কৃপাদগী বেষ ওল্লগা শ্রীকৃষ্ণ গৌরাঙ্গ দাস হায়বা নাম ফংজদুনা বৃন্দাবন প্রাপ্তি ওইখ্রে। ঙসি তাং ১৪/০৭/২০১৮ ইং, ইঙেনগী ২ নি পানবা থাংজ নুমিৎতা অস্থি সঞ্চয় লৌখৎচরগা, লাক্লিবা তাং ২২/০৭/২০১৮ ইং, ইঙেনগী ১০ নি পানবা নোংমাইজিং নুমিৎতা লৈখিদ্রবগী শ্রাদ্ধ দিন থোক্লে। নুমিৎ অসিদা লৈখিদ্রবগী আত্মা শান্তিগীদমক ঙমজবা বস্তু খরদং শ্রীকৃষ্ণ কৃতিগীদমক হরি সঙ্কীর্ত্তনগা লোয়ননা শ্রীশ্রীগৌরচন্দ্র মহাপ্রভুগী চরন্দা কৎচগদৌরি। উপলক্ষ অসিদা ব্রাহ্মণ-বৈষ্ণব, অহল-লমন, মরুপ-মপাং অমদি মহাক্লা তিন্নবীরম্বা ঐখোয়নদি শক খঙজহৌদ্রবা খ্বাই খিবিক্লা মতম চানা লেংবীরক্তুনা হরিনাম শ্রবন তৌবিরনবা পাউচেগী থোংদা পাউজেঞ্জরি।

বিনিতগণ :- **শ্রীমতি নোংথোম্বম রাসোরি দেবী (স্বধর্ম্মীনি)**

১। শ্রীমতি নোংথোম্বম ওংবী মনিতোম্বী দেবী (মমৌনুপী)
২। কুমারি নোংথোম্বম প্রমো দেবী (মচানুপী)
৩। শ্রীমতি কোংব্রাইলাৎপম (ও) তরুবী দেবী (মচানুপী)
৪। শ্রীমতি নোংথোম্বম (ও) রোমা দেবী (মমৌনুপী)
৫। শ্রীমতি নোংথোম্বম (ও) নাওবী দেবী (মমৌনুপী)
৬। শ্রীমতি নোংথোম্বম (ও) অনিতা দেবী (মমৌনুপী)
৭। শ্রীমতি লাইশ্রম (ও) সুমিলা দেবী (মচানুপী)
৮। শ্রীমতি ওইনাম (ও) সুসিলা দেবী (মচানুপী)
৯। শ্রীমতি সিনাম (ও) রিনা দেবী (মশুনুপী)
১০। শ্রীমতি নোংথোম্বম (ও) ভিক্তোরি দেবী (মশুনুপী)
১১। শ্রীমতি য়ুমলেম্বম (ও) অবেম দেবী (মশুনুপী)
১২। শ্রীমতি নোংথোম্বম (ও) ইচনতোম্বী দেবী (মশুনুপী)
১৩। শ্রীমতি থোকচোম (ও) কিনি দেবী (মশুনুপী)
১৪। কুমারি নোংথোম্বম তনুজা দেবী (মশুনুপী)
১৫। শ্রীনোংথোম্বম মিনাকশ্রি দেবী (মশুনুপী)
১৬। শ্রীনোংথোম্বম মমতা দেবী (মশুনুপী)

১। শ্রীনোংথোম্বম রাজেন সিংহ (মচানুপা)
২। শ্রীনোংথোম্বম রোবিন্দ্রো সিংহ (মচানুপা)
৩। শ্রীনোংথোম্বম নোরেন সিংহ (মচানুপা)
৪। শ্রীনোংথোম্বম গুনমনি সিংহ (মচানুপা)
৫। শ্রীনোংথোম্বম রোমেন সিংহ (মশুনুপা)
৬। শ্রীনোংথোম্বম রনবীন সিংহ (মশুনুপা)
৭। শ্রীনোংথোম্বম রোহেন সিংহ (মশুনুপা)
৮। শ্রীনোংথোম্বম নিকেস সিংহ (মশুনুপা)
৯। শ্রীনোংথোম্বম গুনসন সিংহ (মশুনুপা)

সলাম মমাং লৈকাই।।

Contact No.
☎ 9862750691

HL-P/4094/14

North East Task Force
O/o The Divisional Engineer, BSNL,
Top Floor TQ Building, Imphal-795001.
Ph: 0385-2446705,
Email:detpbsnlimphal@gmail.com

BSNL
Connecting India

भारतसंचारनिगमलिमिटेड
BHARAT SANCHAR NIGAM LIMITED
(A Govt. Of India Enterprise)

No. DE/TP/IMP/T-2/18-19: Dated at Imphal, the 13.07.2018

TIME EXTENSION NOTICE
FOR e-tender
BISHENPUR T.E. TO CHURACHANDPUR T.E.
OFC ROUTE (MICROTUNNELING)

Interested bidders are hereby informed that the date of opening of the e-tender for Bishenpur T.E. to Churachandpur T.E. OFC Route (Microtunneling) vide NIT NO. DE/TP/IMP/T-2/18-19, Dated 28.06.2018 which was earlier scheduled on 13.07.2018 has been extended to 23.07.2018 at 1400 hours.

Sd/-
Divisional Engineer
Telecom Project, NETF BSNL
Imphal-795001

HL-B/4739/14

MATHEMATIC (WIZARD) COMPETITION 2018
Orgd. by: EDUCITY
SAGOLBAND TERA TONGBRAM LEIKAI, IMPHAL WEST

Last Date of Form Submission – 16th July, 2018
Subject: Mathematic only (100 marks MCQ)

Submission Fees Rs. 300/-
Timing : 11:00 am to 1:00 pm
Class: I to X (Class Wise)

Prize:
1st Position – Rs. 7000 x 10 + Certificate
2nd Position – Rs. 5000 x 10 + Certificate
3rd Position – Rs. 3000 x 10 + Certificate
4th to 10th Position – Special Package

Date of Examination: 22nd July, 2018 (Sunday)

* Special Prizes
1. Best Student will be announced as "Mathematical Wizard of the Year" (which secured 100 or 99 marks) with a prize of Rs. 3000 and Mementos
2. Best School to the School of the Best Students (Rs. 3000/- + Mementos)

Please Contact: 9612194580 | 8794386523

* Forms are available at all the leading book stores and schools of Manipur.

[illegible]

HL-P/3371/21/6-20/7